₹

ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ
SANALEIBAK
PROGRESSIVE JOURNALISM
www.sanaleibak.in
সনালৈবাক
চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

for
SHRI O. NABAKISHORE
INC Candidate
Inner Manipur Parliamentary C
17TH LOK SABHA ELECTI
On 14th April 20
KEIRAMPALLI KACHIN

ক্যামগৈ মুস্লিম কাইরমপলি কাচিনদা কৈরাও ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিতিনা শীন্দুনা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিদা কোংগ্রেসকী মীরেপ মায় পাকহন্নবা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিগী শক্তম অমা

ION CAMPAIGN FOR
R.K. RANJAN SINGH

থাংমৈবন্দ এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী মনুং চনবা থাঙ্গাল বাজারগী মারৱারি ধর্ম্মসালাদা পাঙথোকপা বি জে পিগী মীখলগী রেল্লিদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন শরুক য়াবগী শক্তম অমা

মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী শেংছং মখাদা লাইশ্রম প্রিথিবীরাজগী চীংনুংগী খোম্থাং হায়না মিংথোনবা ম্যুজিক প্রদক্সন অমা হোদাম লৈরক লাই লম্পাক্তা উৎখিবা থৌরমগী শক্তম অমা

Volume No: 43 Issue: 138 IMPHAL MONDAY 15 APRIL, 2019 নিংথৌকাবা শজিবুগী ১০/১১ নি পানবা RNI Regd. No. 31350/77 PAGE : 8 Price:Rs 3.60

ৱাখলগী চিঙ্গাক

মশানা কাখৎনিংদবা মীশক
অমত্তা নহাক্না কৈরাক
কাখৎনবা ইনখৎপা ঙম্লোই

অঙৈং–অশা

খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ ৩১.৭° সি
খ্বাইদগী ঈংবগী চাং ঃ ১৯.২° সি
নোংজুগী চাং ঃ ০০
নুমিৎ থোকপা ঃ অয়ুক পুং- ৪.৫৩
নুমিৎ তাবা ঃ নুংথিল পুং-৫.৩৬

GOLD PRICE 10G/24K

DELHI : RUPEES 32,750.00 /-
KOLKATA: RUPEES 32,650.00 /-
BENGALURU: RUPEES 32,745.00 /-

পেট্রোল, ডিজলগী মমল

পেট্রোল লিটরদা – লুপা ৬৯.১৪
ডিজল লিটরদা – লুপা ৬২.৩৩

SONY 'SPL OFFER'
KLV-24P413D ₹~~15,400~~ = ₹13,990
KLV-32R202F ₹~~23,490~~ = ₹20,490
KLV-32R302F ₹~~26,400~~ = ₹23,290
KLV-32R422F ₹~~30,300~~ = ₹27,690
KLV-40R252F ₹~~43,400~~ = ₹38,790
KLV-40R352F ₹~~47,400~~ = ₹42,790
KLV-43W662F ₹~~56,900~~ = ₹50,990
KLV-50W662F ₹~~70,900~~ = ₹64,990
SONY HOUSE
VIDEOCON HOUSE
PAONA BAZAR, IMPHAL

"OLED" SONY
BRAVIA
"OLED"
A NEW TV EXPERIENCE AWAKENS
SONY 55" KD-55A8F
₹~~3,29,900~~/- = ₹2,49,990/-
SONY 65" KD-65A8F
₹~~4,49,900~~/- = ₹3,69,990/-
SONY HOUSE, PAONA BZ. IMPHAL
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.

গ্যাসকী পাউ লাঃ ৬ তা

লোইরেদনা

সার,অসিদি সারহোয়গী লৈরক
মচিন্দা পান দুকান ফম্বী মৌনহাদুনি!

ꯁꯥꯔ, ꯑꯁꯤꯗꯤ ꯁꯥꯔꯍꯣꯌꯒꯤ ꯂꯩꯔꯛ
ꯃꯆꯤꯟꯗꯥ ꯄꯥꯟ ꯗꯨꯀꯥꯟ ꯐꯝꯕꯤ ꯃꯧꯅꯍꯥꯗꯨꯅꯤ!



হায় য়েংউনু,অউবনা ইকায়নরবা
মতম্নি মায়–মায় কেপাকিটিনি!

ꯍꯥꯌ ꯌꯦꯡꯎꯅꯨ, ꯑꯎꯕꯅꯥ ꯏꯀꯥꯌꯅꯔꯕꯥ
ꯃꯇꯝꯅꯤ ꯃꯥꯏ–ꯃꯥꯏ ꯀꯦꯄꯥꯀꯤꯇꯤꯅꯤ!

হেক্তা হায়জিনবা

হৌরো

হৌরো হৌরে হৌরে
হৌবা য়াবা হৌরে
ভোটকী কুম্মৈদা হৌরে
মান্দপ খনবা হৌরে
চৌক্রি শানবা হৌরে
ফ্লেক্স নম্বা হৌরো
পোষ্টর নম্বা হৌরে
চাকশঙ চল্লাইবা হৌরে
ঈশিং য়োনবা হৌরে
ওকশা য়োনবা হৌরো
ষণশা য়োনবা হৌরে
হূইশা য়োনবা হৌরো
য়েন য়োনবা হৌরো
ঙা য়োনবা হৌরে
য়ু য়োনবা হৌরে
ড্রগ য়োনবা হৌরে
হৌবা য়াবা হৌরে
ভোটকী কুম্মৈদা হৌরে
হৌরো হৌরো হৌরো

ই সি আইগী গাইদলাইন মতুং ইন্না ষ্ট্রোং রূম হাংখিবনি: পি কে সিংহ

ইম্ফাল,এপ্রিল ১৪(এস এন এস) ঃ চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তকী ওইনা মফম অদুদা হাংবা ষ্ট্রোং রূমগী থোঙ হাংদোকখিবা অদু তঙাই ফদনা হাংদবা য়াদবদগী ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী গাইদ লাইন মতুং ইন্না হংখিবনি। মদুদা টেম্পেরিং তৌবা অমত্তা লৈখিদে হায়না চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসার (সি ই ও) পি কে সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

লম্ফেলপাংতা লৈবা সি ই ওগী কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা মহাক্না হায়, ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা পীবা চৎন–কাঙলোনশিং ঙাক্ন ষ্ট্রোংরুম হাংদোক্লগা মদুদা শোয়বদগী য়াওখিবা স্ক্রুটিনিদা শিজিন্নগদবা ফোর্ম লৌথোকখিবনি।

মহাক্না হায়, চুরাচান্দপুরগী ওইনা এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সি ৬ লৈ। ষ্ট্রোংরুম সিল তৌদ্রিঙৈগী মমাংদা তঙাইফদবা ফোর্ম খরা মেনশিনবা চংই। ফোর্মশিং অদু স্ক্রুটিনিদা শিজিন্নগদবনি। চুরাচান্দপুরগী ওইনা ষ্ট্রোংরুম ৩ লৈবগী মনুংদা অমদা ফোর্ম অমা শোয়বদগী ষ্ট্রোংরুম মনুংদা লৈহৌখি।

ষ্ট্রোংরুম হাংখিবা অদুদা হান্না ষ্ট্রোংরুম সিল তৌবদা শরুক য়াখিবা মীওইশিং অদু লোইনা দি সিনা পাউ পীদুনা কৌখি। ষ্ট্রোংরুম অদু ভিদিওগ্রাফি অমগা লোয়ননা হাংদোকখি।

হাংদোকপা মতমদা এন পি এফকী য়াওনা পার্টি খুদিংমক্কী মীওইশিংনা অয়াবা পীরবা মতুংদা হাংদোক্লগা ফোর্ম অদু লৌথোকপখক্তনি। মসিদা ওবজার্ভর য়াওনা পাঙথোকপগা লোয়ননা লৌখৎফম থোকপা প্রোসিদ্যুর খুদিংমক ঙাক্ন পাঙথোকখিবনি। চৎখিবা থবক অদু করিসু অরানবা তৌখিবা লৈতে। মনুংদা লৈরিবা ফোর্ম অদু লৌথোকপখক্কী ৱাফমনি হায়খি।

হন্দক হ্বাটচএপতা ভিদিও অমা ভাইরেল চৎখিবা পোল্লিং ষ্টেসন অমদা নুপা অমা ফমদুনা লৈরগা চংলক্লিবা মীওই খুদিংমক অদুগী ভোট নম্বা অদু মণিপুরগী নত্তে। মদুদা লৈরিবা ভোটিং কম্পার্টমেন্ট অদু মণিপুরগী নত্তেহায়খি।

মহাক্না হায় হৌখিবা এপ্রিল ১১দা পাঙথোকখিবা মীখল অদুগী স্ক্রুটিনি হৌজিক থৌবালদা চৎখরি স্ক্রুটিনি অদুদা ফোর্মশিং য়েংশিনবগা লোয়ননা সেক্টর মাজিষ্ট্রেট, প্রিসাইদিং ওফিসারশিংগী রিপোর্টশিং কুপ্না য়েংশিনগনি। রিপোল তৌবগী মতম অসিস্ক্রুটিনি লোইরবা মতুংদা রিপোল তৌগদবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অদু খঙদোক্লগা ই সি আইদা থারবা মতুংদা মখোয়গী রিকমেন্দেসন মতুং ইন্না রিপোলগী মতম লেপকনি হায়খি।

অনীশুবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোট খোম্বগী মতম অসি লাক্লিবা এপ্রিল ১৬ কী নুমিদাংৱাইরম পুং ৪দা লোইশিল্লগনি। ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিগী মীখল অসিদা অহানবা ভোটর ৫০ অদু সি ই ওগী মায়কৈদগী অচম্বা খুদোলপোৎশিং পীগনি। লোয়ননা মোদেল পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা সেলফি পোইন্টশিং থমগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মীখল অসিগা মরি লৈননা লাকপা ৱাকৎশিং আর ও ওফিসতা থাখ্রে। মসিগী কেসশিং অসি ভোট মশীং থিদ্রিঙৈগী মমাংদা লোইশিনগদবনি। বি জে পি অমসুং *মখা লমায় ৩দা...*

আউট্টরগী রিটর্নিং ওফিসারগীদা রিপোলগী স্ক্রুটিনি পাঙথোকখ্রে

বেঞ্জামিন মাতে কে এন ওগী ওফিসেল কেন্দিদেটনি হায়না এন পি এফনা চৈখ্রে

থৌবাল,এপ্রিল ১৪(এস এন এস) ঃ আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিগী মীখলদা করম–করম্বা পোল্লিং ষ্টেসনশিং রিপোল তৌগদগে হায়বগী মতাংদা ঙসি রিটর্নিং ওফিসার ওইরিবী হাওবম রোসিতাগী থৌবালদা লৈবা ওফিস্তা স্ক্রুটিনি পাঙথোকখ্রে।

মীখল অদুদা মীরেপ ওইখিবা বি জে পিগী বেঞ্জামিন মাতে,ইন্দিয়ান নেসনেল কোংগ্রেসকী মীরেপ কে জেমস,এন পি এফকী মীরেপ ডা এস লোর্হো ফেজোন,জেনরেল ওবজার্ভর দেবিদ প্রধান অমসুং নারবু ৱাংদে ভুটিয়া,পুলিস ওবজার্ভর প্রভিন কুমার টি পদৱাল অমসুং ভিনয় কুমার কাছ্ছেঠি,এক্সপেন্দিচর ওবজার্ভর,দিষ্ট্রিক্ট–দিষ্ট্রিক্টশিংগী এসিস্টেন্ট রিটর্নিং ওফিসার (দি সি)শিং, এস দি ওশিং শরুক য়াখি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরসু ওইরিবী আউটরগী রিটর্নিং ওফিসারগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা ভোট থাদখিবগী স্ক্রুটিনি অদুদা পার্টি অমনা অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টি অমবু য়াম্না থিনা–থিনা চৈনবতা নত্তনা অকনবা ৱাফম কয়ামরুম ফোঙদোক্লখি হায়না মীফম অদুদা শরুক য়ারুবা পোলিটিকেল পার্টি অমগী লুচিংবা অমনা পাউ–চে অসিদা ফোঙদোরকখি।

মহাক্না ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা বেঞ্জামিন মাতেবু এন পি এফকী মায়কৈদগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা হান্নগী য়ু এন সিগী প্রসিদেন্ট গাইদোন কামেগা অৱাই–অখুম তৌদুনা ৱা ঙাংনখি হায়রি।

বেঞ্জামিন মাতেবু সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন তৌনবদা য়াওরিবা কুকি নেসনেল ওর্গনাইজেসন (কে এন ও)গী ওফিসিয়েল কেন্দিদেটনি হায়না চৈখি। মদুগা চপ–মান্নবা মীচৈদা বেঞ্জামিন মাতেনা এন পি এফপু এন এস সি এন–আই এমগী পোলিটিকেল ৱিংনি হায়না চৈ–থাংখি। বেঞ্জামিন মাতেনা কে এন ও লোনা য়াদবা লূপ ওইদে,লৈঙাক্না সস্পেন্স ওফ ওপরেসন তৌনদুনা ৱারী শান্নরিবনি হায়না থল্লকখি। অমরোমদা এন পি এফনসু এন এস সি এন–আই এম ইন্দিয়াগী লোনা অথিংবা থমদে। সিজ ফয়ার তৌনদুনা অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্লনবা ঙাইনরিবা লূপ অমনি হায়না ফোঙদোক্লখি হায়রি।

হৌখিবা এপ্রিল ১১দা পাঙথোকখিবা ১৭শুবা লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা মণিপুর আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিগী ভোট থাদনবা অদুদা এন্টি–সোসিয়েল ওইবা মীওই খরনা বুথ কেপচর তৌবা য়াওনা নম্মুন্দা ভোট থাদনখ্রে হায়রিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অদুদা অমুক হন্না ভোট থাদহনবীয়ু হায়না রিটর্নিং ওফিসার,নম্বর–২ আউটর মণিপুর *মখা লমায় ৩দা...*

অঙাং উন্নবদা মমা লৈখিদবগী ৱাহৌদা জেনিমসতা ঈরাং থোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৪(এস এন এস)ঃ জেনিমসতা অঙাং উন্নবগী ওপরেসন লোয়রবা মতুংদা মমা শিরে, ডোক্তরনা চেকশিন্দবদগী লৈখিদবনি হায়না মরাল শিরদুনা খোয়শাওনরবা মীয়াম্না জে নিমসতা হোস্পিটালদা থোমজিল্লকখ্রে, জে এ সি শেমখ্রে।

অঙাং উন্নরবা মতুংদা লৈখিদ্রবী নুপী অদুগী মমিং লোংজম ওংবী ইচলতোম্বী, চহী ১৯ মপুরোইবা এল রোজেন কৌই। ইম্ফাল ইষ্টকী নোংদমদগীনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা থৌদোকসিগা মরী লৈননা শেগ্নে হায়রিবা জে এ সি এগেনষ্ট দি অন–নেচরেল দেঠ ওফ লোংজম ইচলতোম্বীগী কনভেন্নর চীখ্রেঙাবনা মৈতৈনা হায়খিবদা ইচলতোম্বী অসি অঙাং উন্নবগীদমক থা অসিগী ১২গী অয়ুক্তা জেনিমস হোস্পিটালদা পুখৎখি। অঙাং উন্নবগী ওপরেসনগী ঙরাং অয়ুক পুং ১০ রোম তাবা মতমদা ওপরেসন থিয়েটরদা পুশিনখি। পুং ১০.৩০ রোম তাবদা অঙাং উন্নরে হায়দুনা পুথোরকখি। নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১ রোম তাবা মতমদা ইচলতোম্বীগী মবুক কংখৎলকপদগী মহাক্কী মপুরোইবা রোজেননা নর্সশিংদা পাউ পীখি। অদুবু ডোক্তরগা পাউ ফাওনরি হায়দুনা থৌৱা শাদনা ফনা কুইনা হন্না য়েংবিদনা লৈখি। ইচলতোম্বীগী অনাবগী ফিভম লুশিল্লকপা ওইরবদি অতোপ্পা মফম অমদা পুরগা য়েংজরুরগে হায়বদসু তাবিখিদে। নুমিদাং পুং ১০.৩০ রোম তাবা মতমদা ইচলতোম্বী লৈখিদ্রে হায়না ইমুং মনুংদা খঙহল্লকখিবনি। ইচলতোম্বী লৈখিদবা অসি ডোক্তরনা থৌশাদবদগী লৈখিদবনি হায়না মরাল শিদুনা থৌদোকসিদা চেন্নরিবা ডোক্তর পুথোরকউ অমদি থবক্তগী লৌথোকউ হায়দুনা ইচলতোম্বী লৈকাইগী খোয়শাওনরবা মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না ঈরাং হৌরক্তুন ঙসি অয়ুক জে নিমস হোস্পিটালদা থোমজিল্লকখি। অদুবু ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি য়াওনা মশীং য়াম্লবা পুলিস পার্সোনেলশিং চঙশিল্লক্তুনা ঈরাং অদু কন্ত্রোল তৌবদগী পামদবা *মখা লমায় ৩দা...*

অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টিশিং মীপাইনরে: সি এম

ইম্ফাল,এপ্রিল ১৪(এস এন এস) ঃ ষ্টেট অসিদা লৈঙাক পায়রিবা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) অসি মীয়াম্না য়াবা পার্টি ওইরে অমদি পার্টি অসি মীয়ামগা তুনা চৎমিন্নখ্রে খঙবদগী কোংগ্রেস,সি পি আই,এন পি পি য়াওনা অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মীপাইনদুনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা বি জে পিবু মায়থিবা পীনবা লাল্লোং শীনবা হৌরে হায়না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি বি জে পি থাংমৈবন্দ মন্দলনা শীন্দুনা থাঙ্গাল বাজারগী মারৱারি ধর্ম্মসালাদা পাঙথোকপা ১৭শুবা লোক সভা মীখল অসিগী ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিদা বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা ডা আর কে রঞ্জনগী ইলেক্সন কেম্পেইনদা শরুক য়ারদুনা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

ইলেক্সন কেম্পেইন অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মখা তানা হায়খি, লৈঙাক অমা লৈবগী মহাও অমদি লৈঙাক অমা লৈবগী কান্নবা ষ্টেট অসিদা বি জে পিনা চহী অনী লৈঙাক পায়রকপা অসিদা মীয়াম্না খঙবা ঙম্লে। মমাঙগী লৈঙাক্না চহী ১৫ লৈঙাক পায়রকপা অমদি বি জে পিনা চহী অনীখক লৈঙাক পায়রকপা অসিদা খেন্নবা য়াম্না চাওনা লৈ। লৈঙাক অসিনা ষ্টেটসিগী মীয়ামদা হিরম খুদিংমক্তা খুদোংচাবা পীদুনা ইং–তপ্না লৈহল্লি। ষ্টেট অসিদা বি জে পি লৈঙাক লাকপদগী খাইরাক্পন্দ ইমা কৈথেলদা ইমাশিংনা নুমিদাংগী পুং ১১ ফাওবা কৈথেল ফম্লি। অসুম্না লৈঙাক অসিনা ষ্টেট অসিদা অচৌবা অহোংবা অমা পুরক্লিবসি মীয়ামগী থৌজালদগীনি।

ষ্টেট অসিগী মীয়াম মমাঙ লৈঙাক্কী মতমদা তম্পাক্তনা শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবগী অৱাবা অমদি চীংদনা থা অহুম হেনবগী ইকোনোমিক ব্লোকেদ তৌদুনা মীয়াম্বু ওল্হোকপা ফিভম অমদা লৈহল্লম্মী। অদুবু বি জে পি লৈঙাক অসিনা হেক লাকপদগী *মখা লমায় ৩দা...*

ফয়ার ষ্টেসনশিং হাংদোক্লবসু মথৌ তৌহনবা ঙমদ্রি: সি এস

ইম্ফাল,এপ্রিল ১৪(এস এন এস) ঃ হৌখিবা চহী কয়াদা মণিপুর লৈঙাক্না অয়াবা পীদুনা তোঙান–তোঙানবা মফম কয়াদা ফয়ার সর্ভিস ষ্টেসনশিং হাংদোকখ্রবসু হৌজিক ফাওবা মপুং ফানা মথৌ তৌহনবা ঙমদনা লৈরি। ষ্টেট অসিগী সব দিভিজন খুদিংমক্তা ফয়ার সব ষ্টেসন অমমম থম্বগী তঙাইফদবা লৈ হায়না চীফ সেক্রেটরী ডা. জে সুরেসবাবুনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর ফয়ার সর্ভিসনা শীন্দুনা ফয়ার সর্ভিস হেদক্বাটরদা ঙসি পাঙথোকখিবা ফয়ার সর্ভিস দে এন্দ ৱিক থৌরমদা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখিবা চীফ সেক্রেটরী ডা. জে সুরেসবাবুনা হায়, মণিপুর ফয়ার সর্ভিস হেন্না ফগৎহনবগী তঙাইফদবা লৈরি।

নোর্মেল মতমদা ফয়ার সর্ভিস দিপার্টমেন্ট অসি কনানসু নীংশিংবীদে, দিপার্টমেন্ট অসি করিগুম্বা *মখা লমায় ৩দা...*

বি জে পিনা কোংগ্রেস মুখৎপা কৈদৌঙৈদা ঙম্লোই: গাইখাঙম

ইম্ফাল,এপ্রিল ১৪(এস এন এস) ঃ বি জে পিগী মথৌদি মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌনবা হোৎনবগী মহুত্তা কোংগ্রেস পার্টিবু মুখৎনবা লাল্লোং চৎথদুনা লৈরি। বি জে পিনা ফনা কন্না হোৎনরবসু কোংগ্রেসপু মুখৎপা কৈদৌঙৈদা ঙম্লোই হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট অমসুং কোংগ্রেস ৱার্কিং কম্মিতিগী মেম্বর গাইখাঙমনা ফোঙদোকখ্রে।

কৈরাও এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী মনুং চনবা ক্যামগৈ মুস্লিম কাইরমপলি কাচিনদা কৈরাও ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিতিনা শীন্দুনা ঙসি পাঙথোকপা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিগী মীখল অসিদা মীরেপ ওইরিবা ও নবকিশোরগী মীখলগী মীফমদা ৱা ঙাঙলদুনা গাইখাঙমনা হায়, বি জে পি লৈঙাক মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা থৌশিল কয়া চৎখবনা পোলিটিকেল পার্টি অসি মীয়াম্না পাম্নরক্তে।

হিরম খুদিংমক্তা অশোয়বগী অশোয়বা ঙাক্তা ঙাইরকপদগী মীয়াম্না ঙসিদি লৈঙাক অসিগী মায়োক্তা লৈনরক্লে। লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ মশেল অমসুং ষ্টেট মশেলগী মরক্তা উৎখৎনহন্নবা পোলিসি চৎথরকপা লোয়ননা কোংগ্রেস পার্টিবু চৈবনা মখোয়গী মথৌ ওইরকপদগী বি জে পিবু মীয়াম্না পাম্নদ্রবা পার্টি অমা ওইরবনি।

হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসি মীয়ামদগীদমক অনৌবা থবক খরা তৌগদ্রা হায়না খনলুবনি। অদুবু লৈঙাক অসিদি থবক তৌবগী মহুত্তা মী চৈবগী থবক তৌদুনা লৈরে। মীয়াম্বু মখোয়গী অপাম্বা মায়কৈদা *মখা লমায় ৩দা...*

UNACCO
RECRUITMENT
UNACCO, is looking for dedicated and career oriented candidates for its operations at Assam and Manipur.

Sl. No.	POST	NO.	QUALIFICATION	SALARY
1	Branch Manager (BM)	10	Graduate in any discipline with 2 - years relevant experience in any financial sector.	15000-20000/- p.m.
2	Assistant Branch Manager (ABM)	10	Any Graduate	12000-15000/- p.m.
3	Relationship Officer	20	Std. XII-Passed	10000-12000/- p.m.
4	Electrician (to be based at UNACCO School, Meitram)	3	ITI electrical trade / Diploma in EE	7500-10000/- p.m.

Interested candidates can apply with their resumes with latest passport size photograph to the following address on or before 18th April, 2019.

HR Manager
UNACCO School, Meitram, Imphal-West
E-mail:-unacco.hrmanipur@gmail.com
SL / BILL / 10 to 15

ইন্নরগীনা কমদৌবা: আউট্টরগীদি ঈ ভি এম মনুংদা লৈখ্রে

লোক সভা ইলেক্সন ৩লক্তা মকোক–মথং তাখিবশিং

১৪শুবা ইলেক্সন ২০০৪		১৫শুবা ইলেক্সন ২০০৯		১৬শুবা ইলেক্সন ২০১৪	
লম্বা তৌনখিবা মীরেপ–৬ পুন্না থাদনখিবা ভোট মশীং ৪,১৬,৪২৫		লম্বা তৌনখিবা মীরেপ–৭ পুন্না থাদনখিবা ভোট মশীং ৫,৮৩,২২৬		লম্বা তৌনখিবা মীরেপ–৮ পুন্না থাদনখিবা ভোট মশীং ৬,৪০,৮৯২	
১) টি মৈন্য (কোংগ্রেস)	–১,৫৪,০৫৫	১) টি মৈন্য (কোংগ্রেস)	–২,৩০,৮৭৬	১) টি মৈন্য (কোংগ্রেস)	–২,৯২,১০২
২) এম নর (সি পি আই)	–১,০৪,৯২২	২) এম নর (সি পি আই)	–১,৯৯,৯১৬	২) এম নর (সি পি আই)	–১,৯৭,৪২৮
৩) এল চন্দ্রমনি (ফেদরেল)	–৮৮,১৭৯	৩) টি ঐচ চাওবা (এম পি পি)	–১,০১,৭৮৭	৩) আর কে রঞ্জন (বি জে পি)	–৯২,৪৪৪
৪) নোটা	–	৪) নোটা	–	৪) নোটা	–৫২৯৮

নেপ্রম কৃষ্ণমোহোন

ইম্ফাল,এপ্রিল ১৪(এস এন এস) ঃ হৌজিক চৎথরিবা লৈবাক অসিগী ১৭শুবা লোক সভা ইলেক্সন ২০১৯গী অহানবা ফেজদা ষ্টেট ১৮,য়ুনিয়ন টেরিটোরি ২গী তোঙান–তোঙানবা লোক সভা কন্সটিটুয়েন্সি ৯১গী ভোট থা অসিগী ১১ হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা থাদনখ্রে। অহানবা ফেজ অসিদা মণিপুরগী নম্বর ২–আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সি (এস টি) য়াওখ্রে। কন্সটিটুয়েন্সি অসিদা মীরেপ ওইখিবশিংগী মরাইবক ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ই ভি এম)মনুংদা লৈখ্রে। চৎলিবা থা অসিগী ১৮লাক্লিবা শগোলশেল নুমিত্তা ২শুবা ফেজগী ওইনা ষ্টেট ১৩গী তোঙান–তোঙানবা কন্সটিটুয়েন্সি ৯৭তা ভোট থাদনগদৌরিবা অসিদা ষ্টেট অসিগীসু নম্বর ১– ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সি য়াওরি।

কন্সটিটুয়েন্সি অসিগী ওইনসু লম্বা তৌনরিবা মীরেপ ১১গী মরাইবক শগোলশেল নুমিত্তগীদি ই ভি এম মনুংদা লৈখ্রগনি। অদুগা মথং থা মে ২৩দা লৈবাক অসিগী ওইনা ভোট মশীং থীনরকপদা *মখা লমায় ৩দা...*

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯀꯦꯕ ꯁꯔꯚꯤꯁꯦꯁ
অদোমবু মফম অমদগী মফম অমদা নুংাইনা, লাইনা অমদি অতেনবা মতমদা য়ৌহনবা ঙম্বা
Manipur Cab Services
হৌজিক মণিপুরগী মীয়ামদা খুদোংচাবা পিবা হৌজরে...
খুদোংচাবা অসি লৌবীনবা Telephone গী খুৎথাংদা মখাদা পীজরিবা number অসিদা call তৌবিয়ু নত্রগা অদোমগী Smartphone দা ঐখোয়গী Android app "Manipur Cab" playstore দগী download তৌবিরগা অদোমগী অপাম্বা গাড়ী তোংদুনা চৎপিয়ু
₹ 15 per Km. Normal
₹ 25 per Km. Standard
Picnic, লুহোংবগী অমদি অতৈ থৌরমশিংগী ওইনা অখন্নবা শেমজবা package লৈরি
Toll Free Number
1800-345-3838
GET IT ON Google Play
অদোমবু তেক্তা কায়দনা অমদি মতম চানা য়ৌহনবা ঐখোয়গী পাম্দমনি
ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯀꯦꯕ ꯁꯔꯚꯤꯁꯦꯁ
Manipur Cab Services
2nd Floor, MDU Building, M.G. Avenue, Imphal
Powered by: Imphal Finance Co-operative Thrift & Credit Society Ltd.
SL / B / 30DAYS

সনালৈবাক কী মরুওইবা টেলিফোন নম্বরশিংঃ ঈ–পাউ পীবিনীংবশিংনা 7005576312 দা, এডভর্টাইজমেন্টকীনা 9958998160/8787595553 দা, গ্যাস অমদি ওফিসকীনা 9402247588 দা পাউ পীবিবা য়াগনি